# প্রাইম মিনিষ্টরনা সিপ্লেন তোংদুনা গুজরাট চৎপগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১২(এজেন্সী):
গুজরাটতা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখলগী ভোট খোন্বা লোইশিনবা নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি সবর্মতি তুরেলদগী সিপ্লেন তোংদুনা মেহশানা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা ধারোই ফাওবা চত্তুনা অম্বাজি টেম্পলদা লাই খুরুমখ্রে।

নুমিদাংৱাইরমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা প্লেন অদুমক তোংদুনা অহমেদবাদতা অমুক হল্লকখি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা অহমেদবাদ এদমিনিষ্ট্রেসন্না মোদি অমদি কোংগ্রেস লূচিংবা রাহুল গান্ধীবু সিটি অদুদা মীখলগা মরী লৈনবা থৌরমদা শরুক য়ানবগী অয়াবা পীখিদ্রবনি। বি জে পিনা মঙারকশুবা টামগী লৈঙাক পায়নবা থৌরাং তৌরিবা গুজরাটতা পার্টি অসিনা হন্দকসু শোয়দনা মীখলদা মায় পাকহন্নবগী পান্দমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা অখন্নবা থৌরাং লৌখত্তুনা লাকখি।

দিসেম্বর ৯দা পাঙথোকখিবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল মমাঙদা মহাক্না ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা চত্তুনা মীখলগা মরী লৈনবা মীফমশিংদা ৱা ঙাঙখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙসি সবর্মতি তুরেলদগী ধারোই দাম ফাওবা সিপ্লেন তোংদুনা চৎখিবগী থৌওং অদু সিক্যুরিটিগী ওইবা কাঙলোন ঙাকখিদে হায়না মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি।

মোদিনা তোংখিবা কোদিয়াক ১০০০ সিপ্লেন অদু সিঙ্গল এঞ্জিন এয়রক্রাফট ওইবা মরম্না প্রাইম মিনিষ্টরগুম্বা ভী ভী আই পিশিংনা তোংনবগী অয়াবা লৈতে। প্রসিদেন্ট অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরনচিংবা ভী ভী আই পিশিংনা মল্টি এঞ্জিন এয়রক্রাফট খক্তদা তোংগদবনি হায়বা সিক্যুরিটিগী ওইবা থৌরাং লৈ।

প্রাইম মিনিষ্টরনা সিপ্লেন তোংখিবগী ঙাইহাক লৈরগা জম্মু এন্দ কাশ্মীর লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা ওপোজিসন লীদর ওইরিবা উমার অব্দুলানা হায়খি, লৈবাক্কী লূচিংবা অমা ওইরগা প্রাইম মিনিষ্টরনা চথখিবা থৌওং অদু লূচিংবা অমা ওইবগী মতিক ময়াই চেন্দে হায়বা তাকপনি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিতিন গদকারিনা হায়খ্রে মদুদি, সিপ্লেনগুম্বা সিঙ্গল এঞ্জিন প্লেন মরাং কায়না শীজিন্নরবদি লৈবাক অসিগী ট্রান্সপোর্ট সেক্টরদা অওনবা অমা পুরকপা ঙম্লগনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা সিপ্লেন তোংলগা গুজরাটতা চৎখিবা খোঙচৎ অদু ষ্টেট অদুগী এসেমব্লি ইলেক্সনগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লবা রাহুল গান্ধীনা অপান্বা প্লেন তোংলগা চৎনিংবা মফমদা চৎপগুম প্রাইম মিনিষ্টরনা অপান্বা প্লেন তোংবদা অকায়বা লৈতে।

# আই এম টি হায়ৱে ভিয়েটনাম য়ৌহন্নবা অসিয়ন লৈবাকশিংগা ৱারী শানরি



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১২(এজেন্সী):
ইন্দিয়া-ম্যান্মার-থাইলেন্দ (আই এম টি) হায়ৱে ভিয়েটনাম ফাওবা শেমগৎনবগী মতাংদা ইন্দিয়ানা এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিয়ন) লৈবাকশিংগা ৱারী শানরি হায়না সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ, ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী জোইন্ট সেক্রেটরি ধক্সিতা দাসনা হায়খি, কিলোমিটর ১,৩৬০ শাংবা আই-এম-টিবু ইন্দিয়াগী মোরেদগী থাইলেন্দগী মাই-সোট, কম্বোদিয়াগী লাউস অমদি ভিয়েটনাম য়ৌনা শেমগৎনবা থৌরাং তৌরি। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা মীওইশিংগা মাঙজৌনন্না ৱারী শানবা লৈখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

সী আই আইনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা অসিয়ন-ইন্দিয়া কনেক্টিভিটি সম্মিটতা ৱা ঙাঙখিবদা ধক্সিতা দাসনা হায়খি, হায়ৱে অসি মপুং ফানা শেমগৎপা হেক লোইবগা ইন্দিয়াগী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি) হেনগৎহনবা ঙম্লগনি। চাংচত্তা চহী খূদিংগী দোল্লর বিল্লিয়ন ৭০ রোম জি দি পি হেনগৎহনবগা লোয়ননা কুমজা ২০২৫ ফাওবদা মীওই মিলিয়ন ২০ থবক পীবা ঙম্লগনি। অসিয়নদা য়াওরিবা মেম্বর লৈবাকশিংদা ইন্দোনেসিয়া, মালেসিয়া, ফিলিপিন্স, সিঙ্গপোর, থাইলেন্দ, ব্রুনৈ, ভিয়েটনাম, লাউ পি দি আর, ম্যান্মার অমসুং কম্বোদিয়ানি।

ইন্দিয়া অমদি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিং অফবা মরী থম্নবগী পান্দমদা আই এম দি মোটোর ভেহিকল এগ্রীমেন্ট সাইন তৌননবা থৌরাং লৌখৎলি হায়নসু ধক্সিতা দাসনা ফোঙদোকখি।

অসিয়ন লৈবাক খরনা ঙমখৈগী মতাংদা চাইনাগা য়েৎনবা লৈবা মরম্না ইন্দিয়াগী থৌরাং অসি য়াম্না মরুওইনা লৌনরি। চাইনানা সাউথ চাইনা সীগী শরুক পুম্নমক মখোয়গীনি হায়না ক্লেম তৌরি। ৱাফম অসি ব্রুনৈ, মালেসিয়া, ফিলিপিন্স, টাইৱান অমদি ভিয়েটনামনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি।

ইন্দিয়ানা অসিয়ন লৈবাকশিংগা থম্নরিবা মরীগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, ন্যু দিল্লিনা চাইনাগা মুক্নবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা অসিয়ন লৈবাকশিংগা হেন্না নক্নবা মরী থম্নবা থৌরাং লৌখৎপনি।

হৌখিবা চহীদা ইন্দিয়ানা অসিয়ন লৈবাকশিংগা দোল্লর বিলিয়ন ৭০ রোমগী লল্লোন-ইতিক তৌনখি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী সেক্রেটরি (ইষ্ট) প্রিতি সরননা ফোঙদোকখি।

# মতিক চাই হায়বগীদমক রাহুল গান্ধীবু কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ওইহনখিবা নত্তে : বি জে পি



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১২(এজেন্সী):
রাহুল গান্ধীবু লম্বা অমত্তা য়াওদনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট খল্লে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না হায়খ্রে মদুদি, গান্ধী ফেমিলিগী মীওই অমনা কোংগ্রেসকী লূচিংপুরেল ওইরকপা হায়বসি মতিক চারে হায়দুনা ওইহনবা নত্তে, নিংথৌ ফম্বাল কাবগুম্বনি।

বি জে পিগী লূচিংবা মুখতার অবাস নকবিনা হায়খি, মশাগী পার্ফোমেন্স অমত্তা য়েংদনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইহনখিবগীদমক রাহুল গান্ধীবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইরবা মতুংদা মহাক্না করি করম্বা থৌরাং লৌখৎলকপগে হায়বদু য়েংবা তারি।

নকবিগী ৱাফম অসি শৌগৎলদুনা বি জে পিগী লূচিংবা সুব্রামনিয়ন স্বামিনা হায়খি মদুদি, মশাগী চহী ৪৭ শুরবা রাহুল গান্ধীবু পার্টি প্রসিদেন্ট ওইহন্নবগীদমক কোংগ্রেসনা পার্টিগী ওইবা কাঙলোন অমত্তা ঙাকখিদে। ইচম চম্না মমিংখক্তগী ওইনা কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটিগী মীফম পাঙথোক্লগা ৱারেপ লৌখিবনি।

দিসেম্বর ১৬তা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা পার্টিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি। শাংলবা চহী ১৭ কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইদুনা লাকখিবী অপোকপী মমাগী মহুত্তা মহাক্না ফম অসি পায়গদবনি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা রাহুলনা হৌনবী মতুং ইন্না পার্টি প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুনবগী মতম লাউথোকখি।

রাহুল গান্ধীনা ফম অসিগীদমক পীশিনখিবা মীরেপ চে ৮৯মক স্ক্রুটিনি তৌবদা অশোয়বা অমত্তা য়াওরমদ্রে হায়না পার্টি মনুংগী সোর্ছ অমনা ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেস সেন্ট্রেল ইলেক্সন ওথোরিটিগী চেয়রমেন মুলাপালি রামাচন্দন, সী ঈ এগী মেম্বর মধুসুদন মিষ্ট্রি অমসুং ভুবনেশ্বর কালিতানা গান্ধী মথন্তমক পার্টি প্রসিদেন্টকী মীরেপ ওইনবা নোমিসন ফাইল তৌরক্লে হায়বা ৱাফম লাউথোকখিবনি।

# রজিব গান্ধী হাৎখিবগী ইনভেষ্টিগেসন লোইশিন্দবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা সী বি আইবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১২(এজেন্সী):
হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধী হাৎখিবগী মতাংদা চথরিবা ইনভেষ্টিগেসন মপুং ফানা লোইশিন্দবগী থৌওংবু সুপ্রিম কোর্টনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

এপেক্স কোর্টনা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা সী বি আইনা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন মপুং ফানা লোইশিন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী মওং উবা ফংদে। মল্টি দিসিপ্লিনরি মোনিটরিং এজেন্সী (এম দি এম এ)না চথরিবা ইনভেষ্টিগেসন লোইশিনগনি হায়বা থাজদ্রে।

সী বি আইগী ওফিসল অমনা লূচিংবা এম দি এম এদা ইন্টলিজেন্স ব্যুরো (আই বি), রিসার্ছ এন্দ এনালাইসিস ৱিং (আর এ দব্লিয়ু), রেভিন্যু ইন্টলিজেন্স অমসুং অতৈ এজেন্সী কয়ানা মীহুৎশিং য়াওরি।

রজিব গান্ধী হাৎখিবগী মতাংদা লৌতুনখিবগী থৌওং পুম্নমক ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্নবগী পান্দমদা এম দি এম এনা ইনভেষ্টিগেসন চথদুনা লাকখিবনি।

সী বি আইনা পীখৎলকপা রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌজিক চথরিবা ইনভেষ্টিগেসন অসি লোইশিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈত্রে হায়না জষ্টিস রঞ্জন গোগোই অমসুং জষ্টিস আর বানুমতিগী বেঞ্চ অমনা ফোঙদোকখি।

রজিব গান্ধী মীহাৎতা মরাল লৈরে হায়বা মীওই অমনা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসনগী মতাংদা এপেক্স কোর্টনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতগী মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা কৌবা লৈখ্রবনি। মথং চহীগী জন্যুৱারী ২৪দা কোর্টনা হীরম অসিগী মতাংদা হিয়ারিং চথনবা মতম লেপখ্রে।

এ জি পেরারিবলন কৌবা রজিব গান্ধী হাৎপদা চেন্নে হায়বা মীওই অমনা সী বি আইগী ইনভেষ্টিগেসন লোইশিনদ্রিবা ফাওবা মহাক্কী মথক্তা চৈরাক পীবিদনবা পিটিসন ফাইল তৌরকখি। ৱাফম অসিগা মরী লৈননা সেন্টরগী মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্কদবনি হায়না নবেম্বর ১৪দা এপেক্স কোর্টনা খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধী হাৎখিবগী মতাংদা মপুং ফানা থিগৎপা মথৌ তাই হায়না মে ২দা সুপ্রিম কোর্টনা সী বি আইদা খঙহনবা লৈখ্রবনি। মীহাৎ অদুদা চেন্নে হায়বগীদমক শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রবা এ জি পেরারিবলন কৌবা মীওই অমনা থাঙ্গৎলকপা পিটিসন হিয়ারিং চথরবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

জষ্টিস রঞ্জন গোগোই অমদি জষ্টিস নবিন শিনহাগী বেঞ্চনা হায়খি, সী বি আইগী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম অমসুং মল্টি দিসিপ্লিনরি মোনিটরিং এজেন্সীনা রজিব গান্ধী হাৎখিবগী মতাংদা মপুং ফানা ইনভেষ্টিগেসন চথখিবগী খুদম ফংদে। সী বি আইনা হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্না থিগৎপগা লোয়ননা অকক্লবা মতম অমগী মনুংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্কদবনি।

# দলিট হাৎখিবদা চেন্নবা ৬ শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী):
দলিট ফুরুপকী মীওই অমা হাৎখিবগী মতাংদা টামিল নাদুগী লোকল কোর্ট অমনা মীওই তরুক শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রে।

মমাঙ চহীদা টামিল নাদুগী টিরুপুর দিষ্ট্রিক্টতা শঙ্কর কৌবা দলিট অমা হাৎখিবদা চেন্নে হায়বগীদমক মীওই তরুক শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখিবনি।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মকুবোকসু মরাল লৈরে হায়না কোর্টনা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক মনেম্বোক্তি মীহাৎ অসিদা চেন্নদে হায়রি।

দলিট ফুরুপকী শঙ্কর কৌবা এঞ্জিনিয়ারিং গ্রেজুয়েট অমনা ইমুং-মনুংগী অপান্বগী মায়োক্তা টেৱর ফুরুপকী কৌসলিয়া কৌবী নুপী অমগা লুহোংখি। লুহোংলবা মতুং থা ৮ লোম লৈরগা মতৈ-মনাওবু উদুমলাইবেতোই টাউনগী বস ষ্টোপ অমগী মনাক্তা মীওই খরনা এটেক তৌরকখি। কৌসলিয়াগী অপোকপনা থারকপা মীওইশিংনা এটেক অদু চথখিবনি হায়না থাজনখি।

অমরোমদা, লো তন্নিবা দলিট ফুরুপকী মীওই অমা হাৎখি হায়বগী মরালদা অসামগী মাইগ্রেন্ট লেবরর অমবু কেরলাগী কোর্ট অমনা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রে।

অর্নাকুলম প্রিন্সিপাল সেসন্স কোর্টকী জজ এন অনিলকুমারনা পীখিবা ৱায়েল অমনা হায়খি, দলিট মহৈরোয় অমা রেপ তৌরবা মতুংদা হাৎখিবগী থৌদোক্তা মরাল লৈরবা অসামগী মাইগ্রেন্ট লেবরর অদুদা পীগদবা চৈরাক হয়েং লাউথোক্লগনি।

মহমদ অমিরুল ইস্লাম কৌবা অসামগী লেবরর অদু আই পি সীগী সেক্সন ৩০২ (মর্দর), সেক্সন ৩৭৬ (রেপ) অমসুং সেক্সন ৩৭৬ (এ)গী মখাদা মরাল লৈরে হায়না কোর্টনা ৱায়েল পীখি। দিসেম্বর ৬তা কোর্টনা কেস অসিগী হিয়ারিং চথবা লোইশিনখিবগা লোয়ননা ঙসি কোর্টকী ৱায়েল পীগনি হায়না মতম লেপখিবনি।

কুমজা ২০১৬কী এপ্রিল ২৮দা থোকখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা অমিরুল ইস্লামবু আই পি সীগী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিং অমসুং সেদ্যুল্ড কাষ্ট এন্দ সেদ্যুল্ড ট্রাইব (প্রিভেন্সন ওফ এট্রোসিটিজ) রুলসকী মখাদা বুক তৌখি। কেস অসিদা ৱিটনেস ১০০ রোমগী ষ্টেটমেন্ট লৌখি।

# পার্লিয়ামেন্ট মীফমগী মশীং লেপথোক্লবা খন্নগদবনি : নাইদু



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী):
ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেনকয়া নাইদুনা হায়খ্রে মদুদি, পোলিটিকেল পার্টিশিং অমত্তা ওইনা ফমিন্নদুনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম কয়ারক ফমগদগে হায়বগী মতাংদা ৱারেপ লৌবা মথৌ তাই।

হাউসকী মীফম চথরিঙৈদা প্রিসাইদিং ওফিসারগী পোদিয়ম মনাক্তা চঙলকপা মেম্বরশিং সস্পেন্দ তৌনবগী মতাংদা থৌরাং লৌখৎপসু মথৌ তাই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লাক্কদৌরিবা নিংথম মীফমদা ভাইস প্রসিদেন্ট অমা ওইনা রাজ্য সভাগী মীফম প্রিসাইদ তৌগদৌরিবা নাইদুনা হায়খি, ঙাইহাক লৈতনা হাউসকী মীফমদা অকায়বা থোকহনবা মেম্বরশিংগী মথক্তা করি করম্বা থবক লৌখৎকদগে হায়বদু চপ চানা লেপথোকপা মতম ওইরে।

প্রাইম মিনিষ্টরবু ইকায় খুম্নখিদবগা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্টকী মীফমদা হঞ্জিন-হঞ্জিন অপনবা থোক-হনখিবগীদমক কোংগ্রেসনা কন্দিসন য়াওদনা লাল্লে হায়জফম থোকই। কোংগ্রেসনা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং পার্লিয়ামেন্টতা লাল্লে হায়জগদবনি হায়না নাইদুনা মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়া খক্তদা নৎতনা মালেমগী মফম পুম্নমক্তা ইকায় খুম্নরিবা প্রাইম মিনিষ্টরবু কোংগ্রেসনা ইকায় খুম্নদবা হায়বসি লৈবাক অসিগী ওইনা লাইবক থীবনি।

পার্লিয়ামেন্টকী মীফম পাঙ-থোক্লিঙৈদা কোংগ্রেসনা প্রাইম মিনিষ্টরবু কয়ারক হন্না মমিং পনখিবগা লোয়ননা হিটলর, মসোলিনি অমসুং গদ্দাফিগা চাংদম্নখি।

মীফম পাঙথোক্লিঙৈদা হাউসকী মেম্বরশিংনা প্রিসাইদিং ওফিসারগী পোদিয়ম তন্না হেক হেক চঙশিল্লকপগী মতাংদা ভাইস প্রসিদেন্টনা হায়খি, মীফমদা অকায়বা থোকহনবগা লোয়ননা প্রিসাইদিং ওফিসারগী পোদিয়ম মনাক্তা চঙলকপা মেম্বর খূদিংমক তাম্বোক্লবগী মতাংদা রুল অমা শেম্বা মথৌ তাইরে।

# মীওই ২ হাৎখিবগী মতাংদা উলফা (আই)না ক্লেম তৌরকখ্রে

গুৱাহাটি, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী):
অসামগী টিনসুকিয়া দিষ্ট্রিক্টতা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম চা পান্বী থাবগী থবক তৌবা মীওই অমা মচানুপাগা লোয়ননা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌওং অদু পরেস বরুৱানা লূচিংবা উলফা (ইন্দিপেন্দেন্ট)না চথখিবনি হায়না ক্লেম তৌরকখ্রে।

মিদিয়া ওর্গনাইজেসনশিংদা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা লূপ অসিগী লূচিংবা অমনা হায়খি মদুদি, অসাম পুলিস অমসুং আর্মিদা লোন্না পীথোক পীশিন তৌবগীদমক অন্তু মহন্ত অমসুং মহাক্কী মচানুপা অরুন মহন্তবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি।

মহন্তনা উলফা (আই)গী কাদর কয়া খুৎলাই থাদোক্তুনা সরেন্দর তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি হায়নসু লূপ অসিনা মরাল শীরকখি।

অরুনাচল প্রদেশকা লোন্নবা অসামগী টিনসুকিয়া দিষ্ট্রিক্টপু উলফা (আই)গী অকনবা মফম ওইনা লৌনরি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা খুৎলাই পায়বা লালহৌবশিংনা চা পান্বী থাবগী থবক তৌরিবা মীওই কয়াদগী নমদুনা শেল খাইবগী থৌওং চথরি। উলফা কাঙলূপ অমনা লৈঙাক্কা ৱারী শানখিবা তারবসু উলফা (আই)দি ‘সোভরেন অসাম’গী মতাংদা নৎত্রবদি লৈঙাক্কা ৱারী শানরোই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

সিক্যুরিটি ওফিসলশিংগী রিপোর্ট মতুং ইন্না অপ্পর অসামগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা উলফা (আই)না চহী নৌরিবা অঙাং য়াওনা মীওই কয়া লালহৌলূপ অসিদা য়াওহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি। হন্দক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা লূপ অসিগী মরুওইবা মীওই কয়া হাৎখ্রবা মতুংদা অনৌবা রিক্রুটমেন্ট দ্রাইব চথরকখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৭ রোম তাবদা খুৎলাই মতিক চানা পায়বা উলফা (আই)গী কাদরশিংনা অন্তু মহন্ত অমদি মচানুপাবু ময়ুমদগী পুথোকখ্রগা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। মপা-মচা অনীমক হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নরম্লবা মতুংদা লৈখিদবনি।

HL-P/3061/5,7,11&13 Dec.

টৈ/ JOB FOR X AND XII PASS

মণিপুরগী মনুংদা ওইগদবা হৌজিক হৌজিকমক দরকার ওইরিবা তোঙান তোঙানবা **Official Staff 81** (নুপা ৪৪/নুপী ৩৭) গীদমক কেনি দদেটশিংদগী অথুবগী ওইনা থবক কৌজরি। মশাগী চহী ৩০ গী মনুংদা লৈবা Class X, XII অমসুং Graduatie তন্নিবা মীওইশিংনা থবক অসি Apply তৌবা য়াগনি।

***Earning :*** **₹ 10,000/- to 30,000/- (PM)**
***Facilities :*** **Lodging + Fooding+Free Tour**

**NODEPOSITREQUIRED**

Apply তৌবিনিংবা মীওইশিংনা পুং নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ দগী নুংথিলগী পুং ৩ গী মনুংদা ইশাগী Bio-data গা লোয়ননা ওফিসতা লাকপীয়ু।

***Contact :*** ☎ **8014170652** ***Or,*** **8259950861**

নোংথোম্বম শাগৈগী পাউজেল

য়েক-সলাই, লাইনিং-লাইশোন অমসুং পোলিটিকেলগী খেৎনবা থমদনা নোংথোম্বম শাগৈগী অপুনবা মীফম অমা লাক্লিবা তাং ১৮/১২/২০১৭ ইং, পোইনুগী ৩০ নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা এম. দি. য়ু হোলদা পাঙথোকচগনি। মীফম অসিদা নোংথোম্বম খুদিংমক্না শরুক য়াবীনবা নোল্লুক্না হায়জরি।

☎ 7005634735, 8787727806,
☎ 7005485088, 7005606987
☎ 9862715889

*পাউজেঞ্জরিবা ঃ*
**Nongthombam Dhanjoy Meitei**
*General Secretary,* **NSACTTPL**

HL-P/213/13,14&17Dec.




HL-B/4253/3Nov-2Jan..